# ইম্ফাল ৱেষ্টনা টিম ইভেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

BADMINTON

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিমনা ৩৩ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসন না শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা দি এম কলেজ কেম্পস্তা লৈবা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্টকী ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টপু গেম ২–১ দা মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সিঙ্গলস্তা ইম্ফাল ইষ্টকী দব্লিউ অমুসনানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বেনু সলাম্বু ৬–২১, ১৪–২১ দা মায়থীবা পীরগা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা শান্নখিবা অহানবা দবলসকী মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী আর কে রবিনসনা অমদি ঐচ জুগিনগী জুরানা ইম্ফাল ইষ্টকী দব্লিউ অমুসনা অমদি এ কে ব্রোগেনগী জুরাবু ১৯–২১, ২১–১২, ১২–২১ দা মায়থীবা পীরগা গেম অমমম মায় পাক্তুনা লৈনখি। অনীশুবা সিঙ্গলসকী শান্নগদবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই প্রেমাবন্তা লাক্তবদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে যাদুমনিনা ৱাক ওভর ফংলগা মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাকখিবনি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টনা সিভিল সার্ভিসেসপু গেম ২–০ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

অহানবা গেম ওইনা শান্নখিবা সিঙ্গলসকী মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টকী দব্লিউ অমুসনানা সিভিল সার্ভিসেসকী ও ইবোপিশকপু ২১–১৬, ২১–১৬ দা অমদি অনীশুবা গেমদা শান্নখিবা দবলসকী মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টকী দব্লিউ অমুসনা অমদি এ কে ব্রোগেনগী জুরানা সিভিল সার্ভিসেসকী ৱাই সমারেন্দ্র অমদি প্রেমানন্দা রোয়গী জুরাবু ২১–১৬, ২১–২৩, ২১–১৩ দা মায়থীবা পীদুনা গেম ২–০ দা মায় পাকখিবনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা ইম্ফাল ৱেষ্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু গেম ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। অহানবা শান্নখিবা সিঙ্গলসকী মেটচতা থৌবালগী টি ঐচ রনবিরনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বেনু সলাম্বু ১৯–২১, ২৬–২৪, ১৫–২১ দা মায়থীবা পীখি। গেম ১ সোত্থনা লৈখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টনা অহানবা দবলস অমদি অনীশুবা সিঙ্গলসতা মায় পাক্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।



*টিম ইভেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিম।*

# নাসপানা য়ু সি সি মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ ৱিন্নর ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ* লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী লীগ মেটচতা নাপসা খা ইম্ফালনা য়ু সি সি উরিপোকপু ৱিকেট ৯ দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়ু সি সিনা তোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা অপিবা ওভর ৩০ দা ওল আউট ওইরগা রন ১৩৯ লৌখি।

ইনিংস অদুদা মেক মোহননা বোল ৫৫ দা রন ৪৩, এল সুর্জিৎনা বোল ৩৩ দা রন ২৫, বেদাপ্রকাসনা বোল ৩২ দা রন ১৮ অমদি রোমিওনা বোল ১৭ তা রন ১১ লৌখি। নাপসাগী বোল্লর সান্তনা ৱিকেট ৪, রোনিকুমার অমদি ভোগেন্দ্রোনা ৱিকেট ২ / ২ লৌখি।

নাপসানা অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা য়ু সি সিনা থম্লমখিবা টার্গেট রন ১৪০ অদু ওভর ১৮.১ দা ৱিকেট ১ তুরগা লৌদুনা ৱিকেট ৯ দা চাওনা মায় পাক্লগা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

ইনিংস অদুদা ভোগেন্দ্রো অমদি গৌতম্মা নোট আউট ওইরগা বোল ৪৫ দা রন ৫২ অমসুং বোল ৫৪ দা রন ৫০ লৌখি। বিপিননা বোল ৯ দা রন ১৪ লৌখি। য়ু সি সিগী অমত্তা ঙাইরবা ৱিকেট অদু প্রদিপনা লৌখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা নাপসাগী ভোগেন্দ্রোনা রন ৫২ অমদি ৱিকেট ২ লৌরগা তাখি।

হয়েং গ্রুপ (এ)গী লীগ মেটচতা মোদেল ক্লব চিঙামখাগা রি য়ঙ ষ্টার নাগামপালগা শান্নগনি।

# মেগা মরাথনগী টেক্নিকেল কম্মীটি শেমখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ* য়ুনাইটেদ পিপল ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) না শিন্দুনা ফেব্রুৱারি ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮ শুবা মেগা মরাথন মণিপুর ২০১৪ মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক ঙসি এথলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী ওফিস মপাল কাংজৈবুংদা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট য়াইমা সাহানা চিয়ার লৌদুনা খন্ন–নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মরাথন অসিগী টেক্নিকেল কম্মীটি শেমখ্রে।

কম্মীটি অসিগী চিয়ারমেননা এথলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল অজিৎ সিংহ অমদি কনভেনরনা য়ু পি এফকী ভি পি ৱারেপম সেকেন্দবু খনখ্রে। মরাথন অসিদা টেক্নিকেল ওফিসিয়েল ৬০ না শরুক য়াগনি হায়না ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## এম য়ুনা মহারাসি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটি থোইখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ* গুরু জম্বেশ্বর য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এণ্ড টেক্নোলোজি, হিসার হরিয়ানাদা চত্থরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর জোনেল ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪গী ঙসি শান্নখিবা লীগকী মেটচতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মহারাসি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটি, রোটকপু গোল ৪–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী গোলশিং অদু উমাপতিনা ২, রিনা রোয় অমদি প্রেমেশ্বরিনা অমমম চনখিবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মথংগী মেটচ তাং ১ দা মদ্রাস য়ুনিভর্সিটিগা শান্নগনি।

## হৈয়েল ট্রোফি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ* ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুং হৈয়েল উচিৱাদা চত্থরিবা ১০ শুবা ষ্টেট লেভেল নাইন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৈয়েল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী অরোইবা লীগ মেটচতা টুগপু চার্জর নম্বোলনা য়ু এফ সি উচিৱাবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুগপু চার্জরগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এল ফজবিনা ১৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১২.৩০ দা এস এম এস পাৎশোয়গা সি টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফালগা গ্রুপ (বি)গী অরোইবা লীগ মেটচ শান্নগনি।

## আই লীগকী রেফরি ২ কৌরক্লে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী রেফরি অনী এম মাঘো সিংহ অমদি এস কেনেদি আই লীগক্কী মেটচতা কন্দক্ট তৌননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা কৌরক্লে।

এম মাঘোনা ফেব্রুৱারি ১৪, ১৫ অমসুং ১৬ তা কোলকট্টাদা শন্নগদৌরিবা মেটচশিংদা কন্দক্ট তৌগনি অদুগা এস কেনেদিনা ফেব্রুৱারি ২৩ দা শিল্লোংদা শান্নগদবা মেটচতা কন্দক্ট তৌগনি।

## ১১শুবা ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রিয়ন চেম্পিয়নসিপ

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ* ১১ শুবা দিরেক্টর জেনরেল আসাম রাইফলস কপ ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রিয়ন চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ ফেব্রুৱারি ১ দগী ৪ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ হৌদোকপগী থৌরম নুংথিলগী ২ তাবা মতমদা আই জি এ আর সাউথকী মেজর জেনরেল রজিপ চোপ্রা, মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডা□ঃ এস জয়কুমার সিংহ অমদি মণিপুর পোনি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ডাঃ কে এস ঐচ চৌরজিৎ সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগনি।

# এস এস সি সি অমদি এল সি এ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চত্থরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবালা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা এস এস সি সি নাউরিয়া পাখঙলাকপা অমদি এল সি এ খাঙবোক ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৭ শুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচতা এস এস সি সি নাওরিয়া পাখঙলাকপনা কে দব্লিউ কোংপালবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখি। কে দব্লিউনা অহানবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবগা ওভর ১৪ দা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৩১ খক লৌখি। এস এস সি সিনা অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা টার্গেট রন ৩২ অদু ওভর ৭ তা ৱিকেট ২ তুরগা লৌখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা এস এস সি সিগী সাইমোননা তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অরোইবা অমদি ৮ শুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এল সি এ খাঙবোক্না কে কে ক্যামগৈবু রন ২৫ দা মায়থীবা পীখ্রে। এল সি এনা অহানবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৮৪ লৌখি। কে কে ক্যামগৈনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৪.২ দা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৫৯ খক লৌবদগী রন ২৫ দা মায়থীখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা এল সি এগী রাজেসনা তাখি।

# শগোলবন্দ কেন্দ্র ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪

FOOTBALL

**TODAY MATCH**

YPLC vs WFC (3.30PM)
LKHYC vs SMLVO (5 PM)
KYC vs SYDO (6.30 PM)

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ* শগোলবন্দ মন্ত্রিময়ুম লৈকাই ভলন্টি ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দা লম্পাক্তা চত্থরিবা অনীশুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র সেবেন এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা কে টি ঐচ এল ৱাই ও ক্বাকৈথেল অমদি এস এস এ এন শগোলবন্দ থাংজম লৈরক মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা কে টি ঐচ এল ৱাই ওনা উসা ভাবন সয়াংবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখি। কে টি ঐচ এল ৱাই ওগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জানবু, আর কে বিকিচান্দ অমদি বিক্রমজিৎনা ২২, ২৪ অমসুং ৩০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। উসা ভাবনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এস অৱাজিৎনা ৩১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী মেটচতা এস এস এ এন শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্না এল ৱাই য়ু ওল লম্বুলেনবু গোল ৪–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। এস এস এ এনগী গোলশিং অদু সুশিলকুমার, অগ্নিকুমার, হেরাচন্দ্র অমদি মেঘজিৎনা চনখি। লম্বুলেনগী গোল অনী অদুনা জিঙ্গাপাও অমদি সন্তোসনা চনখিবনি।















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*